# গল্ফনা শৌগৎপা য়েমেনগী ফোর্সশিং রেদ সি কোষ্টকী সিটিদা চঙশিনখ্রে



অদেন, জান্যুৱারী ২৪ :
গল্ফকী আরবশিংনা বেকিং পীবা য়েমেনি আর্মি ফোর্সশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রেদ সিগী কোষ্টতা লৈবা অল-মোখা সিটিদা চঙশিনখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। ইরানগা মীচং ওইনবা হৌথি মিলিস্যা কাঙবুশিং তকথোকপগা লোয়ননা য়েমেনি ফোর্সশিংদুনা সিটিদুদা চঙশিনখিবনি।

য়েমেনগী প্রসিদেন্ট অবদ-রাববু মানসৌর হাদিবু হৌথি ফোর্সশিংনা কেপিটেল সানাদগী তান্থোকখিবা মতুং চহী অনীগী মমাঙদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন অমনা য়েমেনগী সিভিল ৱার অদুদা য়াওশিনখি।

নেসনল আর্মি হায়না খঙনবা হাদিদা লোয়েল ওইবা ফোর্সশিংনা মোখাগী খা নোংচুপ চিদাইদা লৈবা হিথাংফম এরিয়াদা চঙশিনখি হায়না আর্মিগী ওফিসল অমনা হায়খি।

‘ঙসি অয়ুক হৌথি ফোর্সশিং হন্থোকখ্রে অমসুং মীশিংনা থাদোক্তুনা চৎনখিবদগী সিটি অসি ইতাক তাকপগুম তৌরি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসল অমনা হায়খি।

‘সিটি অমসুং হিথাংফম নেসনল আর্মিনা কন্ত্রোল তৌরে’ হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি। হৌথিশিংগীদমক্তা লাঙ্হেংনরিবা রাইভেল আর্মি ফোর্সশিংগী স্পোক্সমেন অমদগী কম্মেন্ট লৌনবা হোৎনবদা খুদক্কী ওইনা ফংখিদে।

শেল-থুমগী খুদোংচাদবনা হান্নদগী ককঙাওনদুনা লাল্লবা অরাবিয়ন পেনিন্সুলাগী লৈবাক্তুগী কনফ্লিক্টতুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০,০০০ শিখিবগা লোয়ননা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস অমা থোকহল্লে হায়রি।

লৈবাক্তুগী খা অমসুং নোংপোকথংবা শরুকশিংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা য়েমেনগী টেরিটরিশিংবু মমিংগী ওইনা পায়শিনবগী মওং লৈরবসু হাদিনা তোঙান-তোঙানবা মিলিস্যাশিং, মিলিটেন্টশিং অমসুং ত্রাইবশিংগী মরক্তা ষ্টেট ওথোরিটি নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনখি। সানা য়াওনা অৱাং-নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈরিবা য়েমেনগী পোপ্যুলেসন সেন্টর অয়াম্বা হৌথিশিংনা কন্ত্রোল তৌই।

হৌথিশিংবু হিথাংফমশিং কন্ত্রোল তৌহন্দনবা অমসুং কেপিটেলগী মনুংদা মখোয়বু নাইতোম ওইনা লৈহন্নবা আর্মি ফোর্সশিং অমসুং সাউদ্দর্ন রেজিষ্টেন্স কৌবা আর্মি গ্রুপ অমনা থা অসিদা রেদ সিগী কোষ্টতা লান্দা অমা চখখি। এয়র ষ্ট্রাইকশিং অমসুং য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটসকী ত্রুপ অমসুং টেঙ্কশিংগী অপীকপা কন্টিন্টজেন্ট অমনা শৌগৎখিবা লান্দা অদুদা অপীকপা কোষ্টেল টাউন অল-ধাবাব নৌনা লৌশিনখ্রে হায়রি।

গল্ফ আরাব লৈবাকশিংনা হৌথিশিংবু মখোয়গী য়েক্লবা ইরানগী মহুৎ শিনবা গ্রুপনি হায়না মরাল শীরি। অমরোমদা, টেহরান্নদি গল্ফ আরাব লৈবাকশিংনা শীরক্লিবা মরালদু য়াদ্রি। আরাব লৈবাকশিং অমসুং হাদিগী গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী কেম্পেন্যনগী পান্দমদি ষ্ট্রেটেজিক ঈশিং লম্বী বাম অল-মান্দেব ষ্ট্রেটপু ঙাক শেনবনি হায়রি।

# মাইক পোম্পীও সি আই এগী দিরেক্টর ওইনা ৱাশক লৌহনখ্রে



ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৪ :
য়ু এসকী নেসনল সিক্যুরিটিগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবনি হায়না লৌনবা মতম অমদা হান্নগী কোংগ্রেসমেন মাইক পোম্পীওবু নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা সি আই এগী দিরেক্টর হাপখ্রে। হান্না পোলিটিকেল গ্রুপ নৎত্রগা পার্টি অমত্তগা মরী লৈনদবা ইস্যু ওইরম্বা ইন্টলিজেন্সপু পোলিটিকেল এরেনাদা পুশিল্লক্তুনা হান্নগী কোংগ্রেসমেন অমবু সি আই এগী দিরেক্টর ওইনা খনখিবনি।

‘মালেমনা উনরবা খ্বাইদগী ফরবা মিলিটরি অমসুং পোলিটিকেলগী অরোন-অথুপশিং খঙনবা হোৎনবগী ওপরেসন অমা নহাক্না লুচিংলগনি’ হায়না ভাইস-প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা নুমিদাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অমদা হায়খি।

‘নহাক্কী কম্মান্দ মখাদা থবক তৌরিবা নুপা অমসুং নুপীশিংনা ‘থৌনা’ হায়বা ৱাহৈসিগী অশেংবা ৱাহন্থোক পীরি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী নোমিনিনা সি আই এবু রন তৌবগী ৱাফমদু সিনেটনা নিংথৌকাবগী অঙনবদা কনফার্ম তৌখি। টোর্চর, সর্ভেলেন্স অমসুং রসিয়ানা য়ু এসকী মীখলদা খুৎ থিংজিনবগী মতাংদা লৈরিবা কন্সাসকী কোংগ্রেসমেন অদুগী ফীরেপশিং ত্রান্সপরেন্ট ওইবা ৱাৎলি হায়রদুনা দেমোক্রেটশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা খরা লৈদুনসু সিনেটনা ত্রম্পকী নোমিনিনা সি আই এগী দিরেক্টর ওইবগী ৱাফম কনফার্ম তৌখিবনি।

সিনেটতা ভোট লৌনবদুদা ভোট ৬৬-৩২ না মাইক পোম্পীওনা সি আই এগী দিরেক্টর ওইবদা য়াখিবনি।

মীখলদা মহাক্না মায় পাক্লবা রসিয়ানা খুৎ থিংজিনখি হায়বা মখোয়গী এসেসমেন্টগীদমক্তা ত্রম্পনা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংবু ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি।

# ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মিদিয়াগা অফবা মরী থম্বা পামই : হ্বাইট হাউস



ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৪ :
ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মিদিয়াগা অফবা মরী থম্বা পামই হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা ত্রম্পকী প্রসিদেন্সিবু প্রেসনা লোনা য়াদবা ওইনা উহন্নবা হোৎনরকপা তারবদি মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা প্রেসকা লৈনবা মরীগী মতাংদা অমুক হন্না খন্থখিগনি হায়না প্রসিদেন্টগী তেংবাঙলোয়শিংনা ফোঙদোকখিবা নোংমা লৈরগা হ্বাইট হাউসনা ইনৌ নৌনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

‘ঐখোয়না প্রেসকা অফবা মরী থম্না বা হোৎনগনি হায়না ঐহাক্না নাখেশেংনা ফোঙদোক্লি’ হায়না হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি সোন স্পাইসরনা মহাক্কী অহানবা ন্যুজ কনফরেন্সতা পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক্না মিদিয়াগা লৈনবা পাল্লিবা মরীগী মওংগী মতাংদা করেস্পোন্দেন্টশিংনা হংলকখিবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীরদুনা স্পাইসরনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

‘নখোয়না ইন্টিগ্রীটিগী মতাংদা ঙাঙলি অমসুং নখোয়না অচুম্বা অমসুং ফেক্টশিংগী মতাংদা ঙাঙলি। মদু ফত্তবা নত্তে হায়বা ঐহাক খঙদে। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না থোক্লগা রেকোর্দ চুমথোক্লবগী রাইট অমা লৈ হায়না খল্লি’ হায়না স্পাইসরনা হায়খি।

‘ঐখোয়না প্রসিদেন্ট অসিগী মতুং ইন্না চৎনবা হোৎনবসু লৈ। হায়খিবা, ফোঙদোকখিবা ৱাফম খুদিংমক জজমেন্ট তৌবগী মওং লৈ’ হায়না মহাক্না হায়খি।

স্পাইসরনা মখা তারদুনা হায়খি, অনৌবা প্রসিদেন্টনা লৈবাক অসিবু মতেং পাংনবা অমসুং খায়বুং খায়বুংনবা ৱাখলশিং লৈহন্দনবা মহাক্না তৌনিংলিবশিংদুগী মতাংদা প্রেস কাঙবুশিং অমসুং অমেরিকান মীয়ামগা অফবা অমসুং অফোংবা দাইলোগ চথুবা পামই।

তৌইগুম্বসুং মহাক্না লৈবাক অসিদা য়ুনিটি পুরক্লবা হোৎনবদা ৱাফম অসিবু মওং কয়াদা হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোঙদোক্তুনা লৈ অমসুং মীওই লিশিং খরনা থেংনখিবা মহাক্কী ত্বীট অমদা মহাক্না মার্টিন লুথর কিংগী বষ্ট লৌথোকখি হায়বা মতমদা নখোয়না মদু করি হায়না খনগদৌরিবনো হায়না স্পাইসরনা হংখি।

মিদিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা রিয়েক্সন কয়া লৈখ্রবসু ত্রম্পনা নুংঙাইতবা কয়া তত্তনা খাঙখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# চাইনানা সাউথ চাইনা সিগী ঈথৎশিং লৌবা থিংগনি হায়না ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না চেকশিন্না হায়খ্রে



ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৪ :
সাউথ চাইনা সিগী মালেমগী ঈশিংগী শরুকশিংদা লৈরিবা লমশিং চাইনানা লৌশিন্নবা হোৎনরকপা থিংনবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী অনৌবা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না অচেৎপা ৱারেপ লৌখ্রে। অমরোমদা য়ু এসকী ফীরেপ অসিদগী ৱাশিংটন্না বৈজিংগা লাল শোক্লবগী ফীভম লাক্কনি হায়না চাইনিজ ষ্টেট মিদিয়ানা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে।

ত্রম্পনা ইরাই নুমিৎতা ওফিস পায়বা হৌখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনিখক কান্নরগা ন্যুজ ব্রীফিং অমদা হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সমেন সোন স্পাইসরনা পীখিবা কম্মেন্টশিংদা চাইনানা এসিয়াগী লম কয়া ক্লেম তৌবগী মতাংদা চহী কয়া য়ু এসনা চেকশিন্না হেন্দল তৌরকখিবদুদগী খঙহোং হোংলকপা য়াবগী ঈঙ্গিৎ অমা পীখি।

থা অসিগী ১১ দা ত্রম্পকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না পীখিবা কম্মেন্টশিংদা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিদা চাইনানা শেমগৎ-শাগৎলিবা ঈথৎশিং অদু শিজিন্নবা য়াহল্লোইদবনি হায়খিবদু ত্রম্পনা য়ানিংব্রা হায়না হংবদা স্পাইসরনা হায়খি, ‘য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মফমদুদা লৈরিবা লৈবাকসিগী ইন্টরেষ্টশিংদা অকিবা পোকহল্লকপশিং থেংনগনি।

‘লৈরিবা ৱাফমদি ঈথৎশিং অদু থাঙ্গৈশেংনা মালেমগী ঈশিংগী শরুকশিংদা লৈরিবরা অমসুং চাইনাগী থাঙ্গৈশেংবা শরুক ওইদবরা হায়বসিনি, তশেংনা চাইনাগী নৎত্রবদি ঐখোয়না মালেমগী ওইবা মফমশিংবু লৈবাক অমনা লৌশিনখিগদবদগী কনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

টিলরসন্না মহাক্কী সিনেট কনফার্মেসন হিয়ারিংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলশিংদু তারবা মতুংদা চাইনিজ ষ্টেট মিদিয়ানা খুদক্তা রিয়েক্ট তৌরদুনা হায়খি মদুদি, চাইনানা মিলিটরিগী চাংগী এয়র ষ্ট্রিপশিং শেম-শাখ্রবা অমসুং ৱেপন্স সিষ্টেমশিং ইন্সটোল তৌখ্রবা ঈথৎশিং অদুবু লৈবাক অসিদা শিজিন্নহন্দনবা হোৎনরকপা তারবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তঙাই ফদনা লাল শোক্লবগী ফীভম লাক্কনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইনা কনফার্ম তৌবা য়াই হায়না থাজনবা টিলরসনবু হিয়ারিং অদুদা চাইনাগী মতাংদা হেন্না কনবা ফীরেপ অমা লৌবগী ৱাফম মহাক্না শৌগৎপ্রা হায়না হংবদা মহাক্না হায়খি, ‘ঐখোয়না চাইনাদা য়াম্না ময়েক শেংবা সিগনেল অমা থাদুনা অহানবদা ঈথৎ শেমগৎ-শাগৎপা লেপ্পবা হায়গনি অমসুং অনীশুবদা ঈথৎশিং অদুবু শিজিন্নবা য়াহল্লোই হায়গনি।’

চাইনাবু ঈথৎশিং অদু শিজিন্নহন্দনবা করি তৌবা য়াই হায়বদু হান্নগী এক্সোন মোবিল কোর্পকী চ্যেরমেন অমসুং চীফ ইগজিক্যুটিভনা শেংনা ফোঙদোকখিদে। তৌইগুম্বসুং এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি, স্পাইসরনা ফোঙদোকখিবগা মান্ননা লৌবা য়াবা মহাক্কী কম্মেন্টশিং অদুনা য়ু এসনা মিলিটরি এক্সন নৎত্রগা নেভল ব্লোকেদ থম্বা য়াবগী ওইথোকপা ফীভম লৈ হায়বা উৎখি। য়ু এসনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎলকপা মতমদা মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় মতীক চানা লৈবা চাইনাগা খুৎলায় থানরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি।

চাইনা অসি মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকনমি ওইরিবনি অমসুং ত্রম্পনা লৈবাক অসিবু অমেরিকান জোবশিং হুরাল্লি হায়না মরাল শীরিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা করম্না চাইনাগী মায়োক্তা অসিগুম্বা খোঙথাং অমা নমদুনা লৌখৎকদৌরিবনো হায়না হংবদা স্পাইসরনা মচা খায়না পনখিদে সুপ্পগী ‘হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা দিভলপ তৌরকপগা লোয়ননা অহেনবা ইনফোর্মেসন লৈগনি’ হায়খি।

# ব্রেক্সিটকীদমক পি এম টেরিসা মেনা পার্লিয়ামেন্টগী অয়াবা লৌগদবনি: য়ু কে সুপ্রিম কোর্ট



লন্দন, জান্যুৱারী ২৪ :
বৃটেননা হৌনবী মতুং ইন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর টেরিসা মেনা পার্লিয়ামেন্টগী অয়াবা লৌগদবনি হায়না য়ু কেগী সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রুলিং পীখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মেনা ‘রোয়েল প্রিরোগেটিভনি হায়না খঙনবা ইগজিক্যুটিভ পৱারশিং শিজিন্নদুনা ঈ য়ুগী লিসবন ত্রিটিগী আর্টিকল ৫০ শিজিন্নদুনা চহী অনী চঙগদবা ঈ য়ুগা কায়নবগী ৱারী শাবা য়াই হায়বা গভর্ণমেন্টগী আর্গ্যুমেন্ট অদু য়ু কেগী খ্বাইদগী ৱাংবা জুদিস্যল বোদিনা রিজেক্ট তৌখ।

অদুম ওইনমক আর্টিকল ৫০ চৎনহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা নোদর্ন আইরলেন্দ, স্কোটলেন্দ অমসুং ৱেলসকী য়ু কেনা অহেনবা পৱার পীরবা এসেমব্লিশিংনা অয়াবা পীগদবনি হায়বা আর্গ্যুমেন্টশিংসু কোর্ট অদুনা য়াখিদে।

‘রেফরেন্দম অদু পোলিটিকেলগী ওইনা য়াম্না মরু ওই তৌইগুম্বসুং মদুবু শীনখিবা পার্লিয়ামেন্টগী এক্টনা মদুনা মরম ওইরগা করি লাকপা য়াবগে হায়বদুদি পনখিদে’ হায়না সুপ্রিম কোর্টকী প্রসিদেন্ট দেভিদ ন্যুবসর্দরনা হায়খি। গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা ৮-৩ না ৱারেপ অদু তাখিবনি।

রেফরেন্দম অদুদা ইফেক্ট লাক্কদবা মওংদা লোদা অহোংবা লৈহনগে হায়রবদি এক্ট ওফ পার্লিয়ামেন্ট হায়না খঙনবা য়ু কেগী কন্সটিট্যুসন্না পার্মিট তৌবা লম্বীদনা য়াগনি।’

মার্চ থা লোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না আর্টিকল ৫০ চৎনহনগনি হায়না মেনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খি তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মহাক্না অহানবদা লোমেকরশিংগী অয়াবা লৌরগনি। থৌওং অসিনা মহাক্কী থৌরাংশিংদু এমেন্দ তৌবা নৎত্রগা থিন্থহনবা য়াই হায়রি। অমরোমদা মরু ওইবা ওপোজিসন লেবর পার্টিনদি মেগী থবক তপথহল্লোই হায়রি।

হৌখিবা চয়োলদা মেনা গ্লোবেল ফ্রী ত্রেদ দিলশিংদা মীৎয়েং থম্বা পোইন্ট ১২ গী প্লান অমগী শরুক ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ত্রেদিং ব্লোক্কা নিংথিনা থাদোক্লনবা অচেৎপা থাজবা পীবগা লোয়ননা নিগোসিয়েসন চথনবগী ৱাফম হৌদোকখি। মদুনা অকনবা মওংগী ব্রেক্সিটকী প্রোসেস হৌনবগী লম্বী ফাৎখি।







## EMPLOYMENT NEWS

### CRPF Recruitment 2017 – Central Reserve Police Force – 2945 Constables (Technical & Tradesmen) Vacancies – Last Date 01 March

**CRPF Recruitment 2017**

Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the post of 2945 Constables (Technical & Tradesmen). Apply Online before 01 March 2017.

**Job Details :**

Post Name : Constables (Technical & Tradesmen)
No. of Vacancy : 2945 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria for CRPF Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate must have passed 10th / matriculation examination or its equivalent from a Board recognized by the Central or State Govt.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2017

For CT/DVR : 21 to 27 years
For all Other Posts : 21 to 23 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on PET/ PST & Written Examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Challan OR Net Banking OR Credit card / Debit Card. candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and ExServicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply CRPF Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://crpf.nic.in on or before 01.03.2017

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application form : 01.03.2017
Last Date for Submission of SBI Challan : 20.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://crpf.nic.in/writereaddata/Portal/Recruitment_Advertise/ADVERTISE/1_98_1_148012017_Email.pdf
**Apply Online :** http://crpf.nic.in/recruitment-details.htm?98/AdvertiseDetail

### UPSC Recruitment 2017 – National Defence Academy & Naval Academy Examination (I), 2017 (390 Vacancies) – Last Date 10 February

**UPSC Recruitment 2017**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of National Defence Academy & Naval Academy Examination (I), 2017 for 390 Vacancies. Apply Online before 10 February 2017.

Advt. No. : 03/2017-NDA-I

**Job Details :**

Post Name : National Defence Academy & Naval Academy Examination (NDA) (I), 2017
No of Vacancy : 390 Posts
Pay Scale : Rs. 15600- 39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-
**Course wise Vacancies :**
National Defence Academy : 335 Posts (208 – Posts for Army, 55 – Posts for Navy and 72 – Posts for Air Force)
Naval Academy (10+2 Cadet Entry Scheme) : 55 Posts

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Army Wing of National Defence Academy : 12th Class pass of the 10+2 pattern of School Education or equivalent examination conducted by a State Education Board or a University.

For Air Force and Naval Wings of National Defence Academy and for the 10+2 Cadet Entry Scheme at the Indian Naval Academy : 12th Class pass of the 10+2 pattern of School Education or equivalent with Physics and Mathematics conducted by a State Education Board or a University

Candidates who are appearing in the 12th Class under the 10+2 pattern of School Education or equivalent examination can also apply for this examination.

Nationality : Indian
Age Limit : candidates born not earlier than 02nd July, 1998 and not later than 1st July, 2001 are eligible

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Psychological Aptitude Test and Intelligence Test.

**Application Fee :** The candidates have to pay Rs. 100/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST candidates/ Sons of JCOs/NCOs/ORs who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in from 18.01.2017 to 10.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 18.01.2017
Last Date for Submission of Online Application : 10.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/Notice_Engl_NDA_NA%20_I_%20Exam_%202017_0.pdf
**Apply Online :** https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php

HL-B/3623/20/01-19/02